

# পোক্লফম স্পোর্তস

● SUNDAY FEBRUARY 27, 2011, PAGE 10 ● ফেব্রুৱারী ২৭, ২০১১, নোংমাইজিং, লামায় ১০

*পাকিস্তানগী ওপনর সেজাদ আউত ওইখিবদা হরাওবা ফোঙদোক্লিবা শ্রী লঙ্কাগী ভাবকশিং* | *ওস্ত্রেলিয়াগী কেরি ৱেবনা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোকপা ঐচ এস বি সি ৱিমেন্স চেম্পিয়ন্স গোল্ফ তুর্নামেন্ততা সোত অমা য়ৈবা*



# পাকিস্তান্না শ্রী লঙ্কাবু রন ১১দা থোইখ্রে



আউত ওইদনা রন ৮৩ লৌবা ঙমখিবা পাকিস্তানগী মিসবা-উল-হকনা স্লিপ সোত অমা তৌখিবা

**কলম্বো, ফেব্রুৱারি ২৬ ঃ** ১০ শুবা আই সি সি ক্রিকেত ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু অমসু ওইরিবা শ্রী লঙ্কাগী সহর কলম্বোদা ঙসি লৈবাক অদুদা পাকিস্তানগা শান্নবা ৱার্ল্ড কপ অসিগী ১০ শুবা মেতচতা পাকিস্তান্না রন ১১দা থোইখ্রে।

মেতচ অদুগী তোস পাকিস্তান্না ঙমদুনা বেতিং হান্না তৌবগী ৱারেপ লৌখি। মখোয়গী ইন্নিংস অদু কা হেন্না ফজবা ঙমখিদে। ৬ শুবা ওভরদা ওপনর সহজাদ বোল ২৩ দা রন ১৩ খক লৌরম্লগা শ্রী লঙ্কাগী পেরেরানা লংলকপা বোল অমা য়েননবা হোৎনবদা খেৎলগা কির সঙ্গাকারানা ওক্তুনা অহানবা ৱিকেত ওইনা তুখি।

কম্রান আকমল অমসুং অতোপ্পা ওপনর হফিজনা অনীশুবা ৱিকেত পার্তনরশিপকীদমক ওভর ৮ লোম পুন্না শান্নদুনা রন ৪৮ হাপচিনখি। রন লৌবগী চাং ওভর ১ দা রন ৫ হেন্দুনা হান্নদগী ফিভম খরা ফগৎখি। হফিজ বোল ৩০ দা রন ৩২ লৌদুনা লৈরিঙৈ মখা তানা রন চেন্নবা হোৎনবদা শ্রী লঙ্কাগী এক্সপরিএন্স লৈরবা স্পিন্নর মুরালিথরন্না ফিল্ডিং তৌদুনা লংশিল্লকপা বোল অমদা রনআউত ওইখি।

নৌনা চঙলকপা য়ুনিস খান অমসুং কম্রান আকমলনা পাকিস্তানগী স্কোর ১০০ হেলহনখি। আকমল মশাগী রন ৩৯ দা আউত ওইকিবদগী মহাকপু মিসবা উল হকনা মহুৎ শিনখি।

ইন্নিংস অদুগী খ্বায়দগী মরুওইবা পার্তনরশিপ অমা হক অমসুং খান্না শেমদুনা রন ১০৮ লৌখি। য়ুনিস খান রন ৭২ দা আউত ওইখি। খানগী মহুৎ শিনখিবা উমর আকমল রন ১০ দা আউত ওইখ্রবা মতুং পাকিস্তান তিমগী কেপ্তেন সহিদ আফ্রিদি শান্নবা চঙলকখি। মহাকসু বোল ১২ দা রন ১৬ লৌরম্লগা আউত ওইখিবদগী পাকিস্তানগী বেতচমেন ৬ আউত ওইরগা রন ২৬৭ লৈখি।

ইন্নিংসকী লেমহৌবা বোল ৭ তা পাকিস্তান্না রন ১০ হাপচিল্লগা ৱিকেত ৭ তা পুন্না রন ২৭৭ লৌখি। মিসবা উল হক ওভর ৫০ লোইশিল্লবা ফাওবদা আউত ওইদনা রন ৮৩ লৌদুনা লৈখি।

শ্রী লঙ্কানা মায় পাক্লনবা দরকার ওইখিবা রন ২৭৮ লৌননবা হোৎনরকপদা ওপন্নর থরঙ্গা অমসুং দিলসানননা য়াম্না ফজবা মওংদা পকিস্তানগী বোল্লরশিং অদুবু মায়োক্লদুনা ওভর ১ দা রন ৬ কী চাংদা লৌদুনা অপূনবা রন ৫০ লাম্থোকখি। ১৫শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা থরঙ্গা রন ৩৩ দা আউত তাখি।

কেপ্তেন সঙ্গাকারা অমসুং দিলসানননা মখা তানা শ্রী লঙ্কাগী ইন্নিংস অদুবু মায় পাক্লবগী লম্বেলদা চঙশীন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু দিলসান রন ৪১ দা পকিস্তানগী কেপ্তেন অফ্রিদিনা আউত তাহনখি। মরিশুবা বেতচমেন জয়াৱারদনে অমসুং মঙাশুবা বেতচমেন সমারাৱিরা শুপ্পগী রন ২ অমসুং ১ লৌরম্লগা আউত তাখিবদগী শ্রীলঙ্কাগী বেতচমেন মরি রন ৯৬ তা আউত ওইখি।

ফীবম শোক্ল বা ইন্নিংস অদু কেপ্তেন সঙ্গাকারা অমসুং চমারা সিলভানা ওভর ১৬ হেন্না শান্নদুনা শ্রী লঙ্কাগী অপূনবা রন ১৫০ লাম্থোকহল্লকখি। ইন্নিংসকী ৩৮ শুবা ওভরদা মশাগী রন ৫০ য়ৌগদবা অমা ৱাৎখিবা সঙ্গাকরা আউত ওইখিবদগী সিলভা অমদি মেথিয়ুসনা মখা তানা শ্রী লঙ্কাগী ইন্নিংস অদু রন ২০০ লাম্থোকহনখি। মেথিয়ুস রন ১৮ দা আউত ওইখ্রবা মতুং পেরেরাসু রন ৮ লৌরম্লগা আউত ওইখি। মতম অদুদা সিলভাদি রন ৫০ হেন্দুনা শ্রী লঙ্কাগী ইন্নিংস অদুবু মায় পাক্লনবা হোৎনখি। লাইবকথীবদি মহাক ৪৭শুবা ওভরদা রন ৫৭ লৌরম্লগা আউত ওইখিবদগী মখা তনা কুল্লাসেকারনা ফনা কন্না হোৎনরবসু ইন্নিংসকী অরোইবা ওভরগী মঙাশুবা বোলদা মহাক আউত ওইখিদদগী শ্রী লঙ্কানা ইন্নিং লোইশিল্লকপদা ৱিকেত ৯ তুরগা রন ২৬৬ খক লৈখিবনা পকিস্তাননা রন ১১ দা মেতচ অদু থোইখি।

## TODAY'S MATCH

| Team | Venue | Time |
| --- | --- | --- |
| India vs England | Kolkata | 1430 |

| INDIA | ENGLAND |
| --- | --- |
| Mahendra Dhoni (capt & wk), Virender Sehwag (vice-capt), Ravichandran Ashwin, Piyush Chawla, Gautam Gambhir, Zaheer Khan, Virat Kohli, Ashish Nehra, Munaf Patel, Yusuf Pathan, Suresh Raina, Harbhajan Singh, Yuvraj Singh, Sreesanth*, Sachin Tendulkar. | Andrew Strauss (capt), James Anderson, Ian Bell, Ravi Bopara*, Tim Bresnan, Stuart Broad, Paul Collingwood, Kevin Pietersen, Matt Prior (wk), Ajmal Shahzad, Graeme Swann, James Tredwell, Jonathan Trott, Luke Wright, Michael Yardy. |
| *Sreesanth replaced Praveen Kumar | *Bopara replaced Eoin Morgan |

## 34TH NATIONAL GAMES 2011, JHARKHAND

### STATEWISE MEDALS TALLY

| State | G | S | B | T |
| --- | --- | --- | --- | --- |
| SERVICES | 70 | 50 | 42 | 162 |
| **MANIPUR** | **48** | **37** | **33** | **118** |
| HARYANA | 42 | 33 | 40 | 115 |
| MAHARASHTRA | 41 | 44 | 47 | 132 |
| JHARKHAND | 33 | 26 | 37 | 96 |
| DELHI | 32 | 26 | 41 | 99 |
| KERALA | 30 | 29 | 28 | 87 |
| MADHYA PRADESH | 25 | 32 | 46 | 103 |
| PUNJAB | 23 | 38 | 54 | 115 |
| UTTAR PRADESH | 20 | 22 | 28 | 70 |
| KARNATAKA | 16 | 19 | 20 | 55 |
| TAMILNADU | 14 | 12 | 27 | 53 |
| TRIPURA | 6 | 2 | 1 | 9 |
| ANDHRA PRADESH | 5 | 19 | 25 | 49 |
| ASSAM | 5 | 11 | 18 | 34 |
| GOA | 5 | 5 | 6 | 16 |
| ORISSA | 5 | 4 | 3 | 12 |
| WEST BENGAL | 4 | 10 | 21 | 35 |
| UTTARANCHAL | 4 | 4 | 5 | 13 |
| RAJASTHAN | 4 | 1 | 10 | 15 |
| CHATTISGARH | 4 | 1 | 2 | 7 |
| ANDAMAN NICOBAR | 3 | 2 | 2 | 7 |
| HIMACHAL PRADESH | 2 | 0 | 5 | 7 |
| BIHAR | 1 | 5 | 6 | 12 |
| MEGHALAYA | 1 | 3 | 2 | 6 |
| SIKKIM | 1 | 2 | 1 | 4 |
| JAMMU KASHMIR | 0 | 4 | 8 | 12 |
| GUJARAT | 0 | 3 | 4 | 7 |
| ARUNACHALPRADESH | 0 | 1 | 10 | 11 |
| CHANDIGARH | 0 | 1 | 9 | 10 |
| MIZORAM | 0 | 1 | 5 | 6 |
| NAGALAND | 0 | 0 | 2 | 2 |
| **Overall Total** | **444** | **447** | **588** | **1479** |

## ICC Cricket World Cup 2011

INDIA, SRI LANKA, BANGLADESH

পোক্লফম স্পোর্তস

## চেম্পিয়ন কনানা ওইগনি?

চেম্পিয়ন কনানা ওইগনি.................................................

(Gift voucher worth ₹ 20,000)

ফাইনেলদা কনা কনা শান্নগনি.................................................

(Gift voucher worth ₹ 15,000)

প্লেয়ার ওব দি তুর্নামেন্ত কনানা ওইগনি.................................................

(Gift voucher worth ₹ 7,500)

রন কনানা খ্বাইদগী য়াম্না লৌগনি.................................................

(Gift voucher worth ₹ 5,000)

ৱিকেত কনানা খ্বাইদগী য়াম্না লৌগনি ঃ .................................................

(Gift voucher worth ₹ 5,000)

ইশাগী মপুং ফাবা মিং ........................................

........................................................

ইশাগী মপুং ফাবা লৈফম ........................................

........................................................

ইশাগী চহী.................... ফোন নম্বর ............................

Photo

**খঙহঙ্জবা ঃ** ফেব্রুৱারী ১৯, ২০১১ দগী হৌখিবা আই সি সি ক্রিকেত ৱার্ল্ড কপ অসিদা 'চেম্পিয়ন কনানা ওইগনি' হায়বা কন্তেস্ত অসিগী অচূম্বা পাউখুম মার্চ ১০,২০১১ ফাওবগী মনুংদা 'কত-আউত অসিদা মেনশিনবীরগা ইশাগী কলর পাসপোর্ত ফোতো অমগা লোয়ননা পাউ-চে অসিগী ওফিসতা থাজিনবীরকউ। কত-আউত অসি নত্তবা চেজমদা ইরগা পীশিল্লকপশিংদি কন্তেস্ত অসিদা য়াওহনবগী খুদোংচাবা পীজরোই। অচূম্বা পাউখুম পীরকপা পূম্নমক দ্রো ওৎচরগা অখন্নবা মনাশিং অসি পীজগদবনি।

*Gifts sponsored by :*

IR Enterprises Lemon | Eastern Motors MARUTI SUZUKI
Jk Enterprises TVS | DOT COM Computer
DEC Computer AMD | Icon of Fashion
Amar Enterprises HITECH | Manikunj Moment
Eastern Motors Mahindra | bilt 10/10 ; Muskaan

## ৱালিদা ৱাবাগাই অমদি তমাইদো তেন্থা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** য়ুথ দেবলপমেন্ত এসোসিএসন কৈরক মনিং লৈকাইনা শীন্দুনা চথুরিবা ১৩শুবা রাউন্দ ফাইব মেন সোক্কর ওপন ফুতবোল তুর্নামেন্ততা ৱালিদা ৱাবাগাই অমদি তমাইদো তেন্থা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। তুর্নামেন্ত অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্তর ফাইনেলদা ৱালিদা ৱাবাগাইনা সোক্কর বোইজ তেন্থাবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি। ৱালিদা ৱাবাগাইগী গোল অদু ও সনাজাওবনা ২৩শুবা মিনিত্তা চনখি।

মরিশুবা ক্বার্তর ফাইনেলদা তমাইদো তেন্থানা ৱাই দি এ (এ) কৈরক মনিং লৈকাইবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি। তমাইদোগী গোল ২ অদু এন নাওবিনা ২৩শুবা, এন কিরননা ৪৩শুবা মিনিত্তা চনখিবনি।

তুর্নামেন্ত অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল হয়েং তি কে এ দব্লিউ এ তেন্থাগা ৱাই এস এ চিংথাম শান্নগনি। অনীশুবা সেমি ফাইনেল তাং ২৮ দা ৱালিদা ৱাবাগাইগা তমাইদো তেন্থা শান্নগনি।

## মিস্তর ইম্ফাল ৱেস্ত কন্তেস্ত

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক লাইনিংথৌ খম্লাংবা কম্যুনিতি হোলদা হয়েং নুংথিল পূং ১২.৩০ তাবদা ইম্ফাল ৱেস্ত দিস্ত্রিক্ত এমেচর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন্না শীনবা অহানবা মিস্তর ইম্ফাল ৱেস্ত ২০১১ (হায়ত গ্রুপ) পাঙথোক্লগনি। কম্পিতিসন অসিদা অহানবদগী তরুকশুবা ফাওবা তাবা বোদি বিল্ডরশিংদা শেলগী মনা পীগনি।

কন্তেস্ত অসি পি দি এগী চেয়রমেন কেঐচ লোকেন, তি ইবোচৌবা, প্রসিদেন্ত ইম্ফাল ৱেস্ত দিস্ত্রিক্ত এমেচর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন, এল উমাকান্তা, প্রসিদেন্ত মাবা, নিমাই অঙোম জেনরেল সেক্রেতরি কাঙল, পি শমুঙৌ এ ই ইলেক্ত্রিসিতি দিপার্তমেন্তনা মথংশিংনা চীফ গেস্ত, প্রসিদেন্ত অমদি গেস্ত ওব ওনর ওইগনি হায়রি।

## পোলো তুর্নামেন্ত

পোক্লফম নিউজ সার্বিস

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শীন দুনা ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দদা মার্চ ৮ দগী ২৬শুবা এন হজারি স্তেত পোলো তুর্নামেন্ত পাঙথোক্লগনি। তুর্নামেন্ত অসিদা শরুক য়ানিংবা পোলো ক্লবশিং অমসুং তিমশিংনা মার্চ ৪ ফাওবগী মনুংদা অকুপ্পা মরোল লম্ফেলপাৎতা লৈবা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতগী খঙলবা য়াগনি।

## ফ্রি কোচিং পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** ইম্ফাল ৱেস্ত এমেচর মুএথাই এসোসিএসন্না চহী খুদীংগী চথুরকপগুম চৎলিবা চহী অসিগী ওইবা মুএথাইগী ফ্রি কোচিং ত্রেনিং মার্চ ৫ দগী হৌরগনি। শরুক য়ানিংবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা চঙাঙ্গদা লৈবা ইম্ফাল ৱেস্ত এমেচর মুএথাই এসোসিএসনগী সেক্রেতরিদগী অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## শান্নরোয় ওক্কদৌরি

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** ঝরখন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৩৪শুবা নেসনেল গেমসতা তাইক্বান্দো মশান্নদা মেদল ফংলক্লবা মণিপুরগী তিমবু হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা শান্ন-খোৎনবা অমসুং চাওখৎ খোঙথাং লূপ অমসুং য়ং সোসিএল সার্বিস য়ুনিয়ন শগোলবন্দ নেপ্রামেঞ্জোর মনুংনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরি।

## মুক্না তুর্নামেন্ত পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএসন্না শীনবা অহুমশুবা স্তেত লেবেল কেস প্রাইজ মুক্না তুর্নামেন্ত মার্চ ১২ দগী ১৪ ফাওবদা পাঙথোক্লগনি। হৌদোকপগী থৌরম মার্চ ১২ দা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চীফ মিনিস্তর ও ইবোবী সিংহনা চীফ গেস্ত ওইগনি। তুর্নামেন্ত অসি তাং ১৩ দা মোইরাংদা অদুগা লোইশিনবগী থৌরমনা তাং ১৪ দা থাঙ্গ কেন্দ্রগী মনুং চনবা মোইরাং খুন্নৌদা পাঙথোক্কনি।

তুর্নামেন্ত অসি কেজি ৫৫ দগী ৬০, কেজি ৬০ দগী ৬৫, কেজি ৬৫ গী মথক হায়না কাঙলূপ অহুম থোক্না খায়দোক্কনি। কাঙলূপ খুদীংমক্কী অহানবা, অনীশুবা, অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা ফাওবা তাবশিংদা কেস প্রাইজ পীগনি। শরুক য়াবা লাকপা মুক্না শান্নরোয় খুদীংমক্তসু কেস প্রাইজ পীগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম মার্চ ৮ ফাওবনি। অকুপ্পা মরোল ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএসন অমদি দিস্ত্রিক্ত এসোসিএসনশিংদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## মেতচ লোইশিনখিদ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** দিস্ত্রিক্ত স্পোর্তস এসোসিএসন ককচীংনা শীন দুনা চথুরিবা মরিশুবা নাওরেম ভুবোন মেমোরিএল তরেৎশুবা দি এস এ ত্রোফি স্তেত লেবেল ফুতবোল তুর্নামেন্ত ২০১১ গী ঙসি শগোলবন্দ য়ুনাইতেদ অমদি সাই উৎলৌ অনীনা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেতচ মপুং ফান্না শান্নখিদ্রে। ঙসি অহানবা সেমি ফাইনেলগী শান্নখিবদা সগোলবন্দ য়ুনাইতেদকী ইনিলনা ৪২শুবা মিনিত্তা অহানবা গোল চল্লবা মতুং সাইগী রিকিনা ৬১শুবা মিনিত্তা গোল ১ চনদুনা মান্নরবা মতুং য়ুনাইতেদকী উমাকান্তনা ৭২শুবা মিনিত্তা মখোয়গী অনীশুবা গোল চল্লবা মতুং মেতচ অদু লোইগদবা মিনিত অনীরোমতা ঙাইরবা মেতচকী ৮৮শুবা মিনিত্তা সাইগী শান্নরোয় রঞ্জন শোকখিবদগী মখা তানা সাইগী শান্নরোয়শিংনা মেতচ শান্নৌ য়াখিদবনি। শোক্লবা রঞ্জন ককচীং কম্যুনিতি হেল্‌থ সেন্তরদা পুখত্তুনা লায়কন্নখ্রে।

## এ আই এম অমদি ক্রুগপু মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** মৈতৈ কাউন্সিল মোরেনা শীন্দুনা ইস্তর্ন সাইন স্কুলগী গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহুমশুবা লময়ানবা হিজম ইরাবত মেমোরিএল ইনভাইতেসন ফুতবোল তুর্নামেন্তকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ লিগকী মেতচশিংদা এ আই এম খাবম অমদি ক্রুগপু নম্বোল মায় পাকখ্রে।

ঙসি গ্রুপ এগী অহানবা লিগ মেতচকী শান্নখিবদা এ আই এমনা মণিপুর পুলিসপু গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখি। এ আই এমগী গোল ৩ অদু লোকেশ্বরনা ১, রোসননা ২ চনখি। পুলিসকী গোল অদুনা শান্তনা চনখিবনি।

গ্রুপ সিগী অহানবা লিগ মেতচকী শান্নখিবদনা ক্রুগপু নম্বোলনা ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোঙবু গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখি।

ক্রুগপুগী গোল ৩ অদু ধনঞ্জয়না ২, রাজুনা ১ চনখি। ৱাই দব্লিউ সিগী গোল অদুনা লালবোই ৱাইফৈনা চনখিবনি। হয়েং গ্রুপ বিগী মেতচ ওইনা ত্রাওগা সি দব্লিউ সি মোরেগা নুংথিল পূং ২ দা শান্নরগনি।

## ক্রিতি ভেতারন ফুতবোল তুর্নামেন্ত

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** থোঙ্গ্রাম ফেমিলি অমসুং ভেতারন সোক্কর এসোসিএসন (ভসাই) ইম্ফাল ৱেস্ত অনীনা পুন্না শীন্দুনা হয়েংদগী অহানবা তিঐচ ক্রিতি সিংহ মেমোরিএল ভেতারন ফুতবোল তুর্নামেন্ত ২০১১ তিম ১৪ না শরুক য়াদুনা থাও গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা হৌদোক্লগনি।

হয়েং তুর্নামেন্ত অসিগী অহানবা মেতচ ওইনা ভসাই থাংমৈবন্দগা ফ্লাম মণিপুরগা নুংথিল পূং ১ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

তুর্নামেন্ত অসিগী হয়েং হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী গবর্নর গুরুবচন জগৎনা চীফ গেস্ত, ফার্স্ত লেদি ওব মণিপুর কিরন জগৎনা গেস্ত ওব ওনর, তি এ কে দি ওগী প্রসিদেন্ত খুমুকচম জয়কিসন সিংহ, সোসিএল ৱার্কর হেনরি ওক্রম অমদি ভসাইগী প্রসিদেন্ত কেএসঐচ চন্দ্রকুমারনা স্পিসিএল গেস্ত ওইগনি হায়রি।

## য়াইমা ভেতারন ফুতবোল

পোক্লফম নিউজ সার্বিস

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** ইলিবেন স্তার স্পোর্তিং য়ুনিয়ন অকাম্পাৎনা শীন্দুনা অকাম্পাৎতা চথুরিবা ৬শুবা কেস প্রাইজ লেত কোইজম য়াইমা মেমোরিএল ভেতারন ফুতবোল তুর্নামেন্ত ২০১১ গী ঙসি শান্নখিবা মেতচশিংদা য়ু ভি এস এ চজিং অমদি আই এস এ ভি কোংপাল মায় পাকখ্রে।

ঙসি গ্রুপ বিগী মঙাশুবা লিগ মেতচকী শান্নখিবদা য়ু ভি এস এনা ভসাক চুরাচান্দপুরবু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা গ্রুপ এগী তরেৎশুবা লিগ মেতচকী শান্নখিবদনা আই এস এ ভিনা ইলিবেন স্তারবু গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখিবনি।

## এস ই ৱাই ও সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

পোক্লফম নিউজ সার্বিস

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** মণিপুর হোকিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি স্তেদিয়মদা চথুরিবা অনীশুবা স্তেত লেবেল মেন্স এন্দ ৱুমেন ওপন হোকি তুর্নামেন্তকী মেন্সকীদা এস ই ৱাই ও শীংজমৈ সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি তিম অহুম লৈরিবা গ্রুপ এগী শান্নখিবা অনিশুবা লিগ মেতচতা এস ই ৱাই ওনা ক্রাও শগোলবন্দ খম্নাম লৈরকপু গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা এস ই ৱাই ওনা মখোয়গী লিগ মেতচ অনী শান্নখিবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ত ৬ ফংলগা গ্রুপকী ৱিন্নর ওইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। এস ই ৱাই ওনা মখোয়গী অহানবা লিগ মেতচতা লিজার্দ ৱাংখৈবু গোল ৪-৩ দা মায়থীবা পীখিবনি।

## নাইন এ সাইদ ফুতবোল তুর্নামেন্ত

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** আর এস এ লমশাংনা শীন্দুনা অনীশুবা নাইন এ সাইদ জুনিয়র বোইজ ফুতবোল তুর্নামেন্ত ঙসিদগী তিম ১২ না শরুক য়াদুনা তাওথোং লমখায় স্পোর্তস কমপ্লেক্সতা ফ্রিদমগী এদিতর আর কে রনেন্দ্রজিৎনা চীফ গেস্ত ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

ঙসি তুর্নামেন্ত অসিগী অহানবা মেতচকী শান্নখিবদা আর এস এ লমশাংনা ঐচ আর দি ফৈয়েংবু গোল ৬-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

## ৱাই পি সি কপ ২০১১

পোক্লফম নিউজ সার্বিস

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** য়ং প্রোগ্রেসিব ক্লব য়ুম্নাম হুইদ্রোম মখা লৈকাইনা শীন্দুনা চথুরিবা বীক্রম মেমোরিএল থার্দ স্তেত লেবেল ৱাই পি সি কপ তেনিস বোল ক্রিকেত তুর্নামেন্তকী ঙসি শান্নখিবা মেতচশিংদা দালাস শগোলবন্দ মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেতচকী শান্নখিবদা দালাস শগোলবন্দনা কে এস দি সি খুরখুলবু ৱিকেত ৭ তা মায়থীবা পীখি। দালাসকী জয়ানন্দনা মেন ওব দি মেতচ তাখ্রে।

অনীশুবা মেতচকী শান্নগদবা ৱাই সি জি সি লাক্তবদগী সি এল দি শীংজমৈনা ৱার্ক ওবর ফংখ্রে।

## চন্দ্রেশ্বর ফুতবোল তুর্নামেন্ত

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** নম্বোল এরিয়া ভেতারন স্পোর্তস এসোসি-এসন্না শীন্দুনা নম্বোল খোরিফাবা গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা নম্বোল এরিয়া নামৈরাকপম চন্দ্রেশ্বর সিংহ মেমোরিএল ফুতবোল তুর্নামেন্তকী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেতচশিংদা ৱাই এস দব্লিউ এ উৎলৌনা কে ৱাই এ খোরি লৈকাইবু গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। কে ৱাই সি খাথোংগা, এল ৱাই সি লৈমাপোকপমগা গোল ২-২ দ্রো চৎখ্রে।

## বন্দ, ব্লোকেত তৌদনবা আপিল তৌরক্লি

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** থাং তা ফেদরেসন ওব ইন্দিয়া অমদি হুয়েল লাল্লোং থাং-তা এসোসিএসন মণিপুর অনীনা শীন্দুনা মার্চ ১১ দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা ৱার্ল্ড থাং-তা চেম্পিয়ন্সিপকী য়েংদুনা মণিপুরদা লৈরিবা সংস্থান খুদীংমক্না বন্দ, ব্লোকেতনচিংবা তৌবিদনবা ওর্গনাইজিং কমিতিগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা আর্ত ফোর্ম অমা ওইরিবা থাং-তাবু মালেম শিনবা থুংনা শন্দোক্লনবগী পান্দমদা পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা ৱার্ল্ড থাং-তা চেম্পিয়ন্সিপক অসিদা মপালগী লৈবাক ৮ না শরুক য়াগনি হায়রি।

ঙসি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগা মরী লৈননা নাগামপাল কংজাবি লৈরক্তা লৈবা ব্রীজিৎ ঙাঙোম্বগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ম্যানমার, উগন্দা, বাংলাদেশ, নেপাল, শ্রীলঙ্কা, য়ু কে অমদি মালেসিয়া লোয়ননা ইন্দিয়না শরুক য়াগদৌরি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক মীয়াম্না শেল অমদি হীরম খুদীংমক্তা মতেঙ পাংবিনবসু ওর্গনাইজিং কমিতিগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

## ভেতারন বেদমিন্তন চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** মণিপুর বেদমিন্তন এসোসিএসন্না শীন্দুনা ৩৫শুবা সেনিয়র (ভেতারন) নেসনেল বেদমিন্তন চেম্পিয়িন্সপ মার্চ ৯ দগী ১৩ ফাওবা এম বি এ ইন্দোর স্তেদিয়মদা পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইখ্রে।

ঙসি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা এম বি এগী প্রসিদেন্ত এম এল বীজয় কোইজমনা চেম্পিয়ন্সপ অসিদা স্তেত ২২ দগী লাকপা নুপা নুপী শান্নরোয় ২০৬ না শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## ৱাই পি এস লম্লাই অমদি সি ঐচ ৱাই য়ু সি চলৌ মায় পাকখ্রে

পোক্লফম নিউজ সার্বিস

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** চলৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথুরিবা লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন ওপন তুর্নামেন্ততা ৱাই পি এস লম্লাই অমদি সিঐচ ৱাই য়ু সি (বি) চলৌ মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি তুর্নামেন্ত অসিগী শান্নখিবা অহানবা ক্বার্তর ফাইনেলদা ৱাই পি এস লম্লাইনা ৱাই য়ু সি য়াইঙংপোকপীবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। ৱাই পি এস লম্লাইগী গোল মরি অদু ই অমিরনা ১৩শুবা, কেঐচ সুরেজনা ১৬শুবা, কেঐচ রোজিৎনা ২৫শুবা, আর কে সনাতোননা ৫৯শুবা মিনিত্তা চনখি। ৱাই য়ু সি য়াইঙংপোকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু প্রেমকুমারনা ২০শুবা মিনিত্তা চনখি। অনীশুবা ক্বার্তর ফাইনেল সিঐচ ৱাই য়ু সি (বি) চলৌনা বি এস য়ু ককচীংবু পেনালতিদা পাঞ্জল ৭-৬ তা মায়থীবা পীদুনা তিম অসিসু সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। সিঐচ ৱাই য়ু সি (বি) অমদি বি এস য়ু অনীনা শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্তর ফাইনেল অদুগী অপীবা মতমদা তিম অনীনা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখি। সি ঐচ ৱাই য়ু সি (বি) চলৌগী গোল ২ অদু এস সঞ্জিৎনা ৫শুবা, বোইচানা ৫৫শুবা মিনিত্তা চনখি। বি এস য়ু ককচীংগী গোল অদুনা মিলননা ১৭শুবা অদুগা এল বোবিনা ২৫শুবা মিনিত্তা চনখি। তিম অনীনা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইবদগী পেনালতি সুত আউত পাঙথোকপদা সি ঐচ ৱাই য়ু সি (বি) চলৌগী সরিঞ্জৎ, বোইচা, সোনিরাজ, এস ভয়া অমদি বিনোদনা পাঞ্জল ৫ চনখি। বি এস য়ুগী রাজু, প্রেমজিৎ, বিজেস, বোবিনা পাঞ্জল ৪ চনখি।

## ইম্ফাল ইস্তকী বোক্সরশিং খনখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** কোংবদা মার্চ ১২ দগী ১৭ ফাওবা চথুগদৌরিবা ২৪শুবা স্তেত লেবেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপতা ইম্ফাল ইস্ত দিস্ত্রিক্ত এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনবু মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা বোক্সরশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি - কেজি ২৮ দগী ৩০ গীদা কেঐচ রাজেস সিংহ, কেজি ৩০ দগী ৩২ গীদা পিঐচ ব্রাইতর, কেজি ৩৪ দগী ৩৬ কীদা এম মাইসন, কেজি ৩৬ কীদা কে জোন্সন, কেজি ৩৮ গীদা পিঐচ মৈব্রোজিৎ, কেজি ৪৪গীদা রোহিত, এনজি বিশ্বস, কেজি ৪৮ গীদা এম অনন্দজিৎ, কেজি ৫০ গীদা তিঐচ বীকিচান্দ, কেজি ৫২ গীদা এম বোরিসনি।

জুনিয়র বোইজকী লাইত ফ্লাইদা এল দয়া, ফ্লাইদা এম দিপক, লাইত বেন্তামদা এম অজিৎ, ফিদরনা এস কেনেদি, লাইততা এল জুনুস, লাইত ৱেলতরদা কে সুরচন্দ্র, ৱেলতরদা এস রমানন্দা, লাইত মিদলদা তারিক আলিনি।

য়ুথ মেনগী লাইত ফ্লাইদা এ বোমি, ফ্লাইদা কে মনি, বেন্তামদা এ চাওবা, লাইততা সিঐচ কিরনকুমার, লাইত ৱেলতরদা ঐচ নন্দো, ৱেলতরদা এমদি সদামনি।

সেনিয়র মেনগী বেন্তামদা ঐচ ব্রিতেন, লাইততা এল রাজেস, লাইত ৱেলতরদা এম সনাথোইনি। সেনিয়র ৱুমেনগী লাইত ফ্লাইদা সুবিতা, ফ্লাইদা জেনিমেক্স, বেন্তামদা থাংহৈবি, ফিদরদা শান্তা, লাইত বন্দানানি। জুনিয়র ৱুমেন্সকী পিন্দা চাওবা, লাইত ফ্লাইদা সোফিয়া, ফ্লাইদা পি জয়লক্ষ্মী, লাইত বেন্তামদা এল হোলিনা, ফিদরদা ঐচ হেন্নানি।

## বোক্সিংগী ত্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৬ঃ** লাক্লিবা মার্চ ১২ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা স্তেত লেবেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ানবগী থৌবাল দিস্ত্রিক্ত এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন্না শীন্দুনা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা হয়েং অয়ূক পূং ৭ তাবদা বাসুগী কেম্পস খাঙবোক্তা পাঙথোক্লগনি।

সেলেক্সন অসিদা সব জুনিয়র, জুনিয়রগী নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংনা মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়ারনবা হায়রি। লোয়ননা থৌবাল দিস্ত্রিক্ত এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী ওফিসিএল-শিংসু সেলেক্সন অসি নংনবা লাক্লবা খঙহল্লি।